# আম আদমি পার্টিগী এন্টি–করপশন হেল্প লাইনদা মীওই ৪,০০০ রোম্না ফোন তৌরকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৯ ঃ** দিল্লি সরকারনা ঙসিদগী হাংদোকখিবা এন্টি–করপশন হেল্প লাইনদা মীওই ৪০০ রোম্না ফোন তৌরকখ্রে। হেল্প লাইন অদু হাংদোকখিবা মতুং পূং ৭কী মতুং ইন্না মীয়াম অদুনা ফোন তৌরকখিবনি হায়রি। মদুগী মনুংদা মীওই ৫৩ না করপশন চখ্থবগী মতাংদা কমপ্লেন্ট তৌখি। অদুগা মীওই ৩৮ না করপশনগী মতাংদা ষ্টিঙ্ক ওপরেশন চখ্থনবা ৱাফম ফোঙদোরকখি।

কেজ্রিৱালনা হেল্প লাইনগী নম্বর ০১১২৭৩৫৭১৬৯ অদু করপশনগী মায়োক্তা ৱাকৎ লৌননবগী ঙরাং হাংদোকখিবনি। কোল তৌরকখিবশিংনা থাঙ্গৎলকখিবশিং অদু হকচিন্না লৌগনি। লোয়ননা মরাল লৈবশিং ফাগৎনবগী ষ্টিং ওপরেশন চখ্থগনি হায়খি।

সরকার অসিনা ফোন তৌরক্তুনা খঙহল্লকখিবা মরু ওইনা লৌদুনা বিজিলেন্সকী টিম অমা শেমদুনা থীগৎহনগনি হায়খি। মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহনবা হায়বসি লায়ও অমনি। মদুনা কনাগুম্বা লায়না অমা শোয়দনা ওইহনগনি। সরকারনা মীয়ামগী অপাম্বা য়েংলগা ফোন রিসিপ তৌননবা মীগী মশীং হেনগৎহল্লগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দিল্লিগী মীয়াম্না করপশন থেংননবা হোৎনবদা পায়খৎলিবা থবক অদুনা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি। ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা



পাউগী মীফম অমদা চহী ৪৫ শুরবা লুচিংবা অদুনা হায়খিবদা, মহাক্না হাংদোক্লিবা এন্টি–করপশনগী হেল্প লাইন নম্বর অদুদা করপশনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লবা খঙহনখি।

পায়খৎলিবা থবক অদুনা দিল্লিগী মীয়াম অদু এন্টি–করপশনগী ইন্সপেক্টর অমমম ওইহল্লবনি হায়খি। করপশন হায়বসি আম আদমি পার্টিগী খ্বাইদগী চাউবা য়েক্লবনি হায়না দিল্লি এসেমব্লি মীখলগী মমাঙদা পার্টি অদুনা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসি মীয়ামদা শিন্নখিবা হেল্প লাইন অদু এ এ পিনা মীখলগী মতমদা ফোঙখিবা মখোয়গী মেনিফেষ্টোগী শরুক অমা ওইনা থবক ওইনা পায়খৎলবনি হায়খি।

এ এ পি হায়রিবা পার্টি অদু ইং ২০১২গী অথেংবা শরুক্তা লিংখৎখিবনি। চহি অনী শুজিল্লক্লবা কেজ্রিৱাল অমসুং গান্ধিয়ান এক্টিভিষ্ট অন্না হজারেনা লুচিংবা পার্টি অদু লৈবাক অসিগী ওইনা করপশনগী মায়োক্তা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। নৌনা লিংখৎলকখিবা পার্টি অদুনা দিল্লিদা সরকার পায়রিবা কংগ্রেসপু নমথরমখি। লোয়ননা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা বি জে পিবুসু অঙকপা পোকহনখিবনি হায়রি।

পাঙথোকখিবা দিল্লি এসেমব্লিগী মীখল অদুদা সীট ৭০গী মনুংদা ২৮ ফংদুনা আম আদমি পার্টিনা কংগ্রেসকী মতেংগা লোয়ননা দিল্লিদা সরকার শেম্লি। কংগ্রেসনা পার্টি অদুবু মপান্দগী কন্দিশন অমত্তা য়াওদনা শৌগৎলক্লি।

বি জে পিনা সীট মশীং খ্বাইদগী হেন্না ফংবা পার্টি ওইরবসু মখোয়না সরকার শেম্লরোই হায়না ফোঙদোক–খিবদগী দিল্লিগী লেফ্টনেন্ট গভর্ণরনা অনীশুবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা পার্টি ওইরিবা আম আদমি পার্টিদা সরকার শেম্মনবগী খুদোংচাবা পীখি।

দিল্লি মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না পার্টি অদুনা কংগ্রেসকী মতেংগা লোয়ননা সরকার শেম্লি। এ এ পিনা হৌজিক করপশনগী মায়োক্তা হৌখিবা মীয়ামগী অশাওবা অদু লাক্কদৌরিবা লৈবাক্কী ওইবা মীখলদা প্লান তৌদুনা মায় পাক্তনবা হোৎনগদৌরি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### লম্বীদা থোকপা খুদোংথিবা

*অমেরিকানা লম্বীদা থোকপা এক্সিদেন্টতা শিবা অমদি শোকপগী চাং অসি চহি অমদা মীওই লিশিং ৪০নি। এক্সিদেন্ট থোকপশিংগী মনুংদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী তমথিবা থৌদোকসি সং ১৯৮২ গী নভেম্বর তাং ৩ দা অফাগনিষ্টানদা থোকখিবদুনা ওইরি। মালেমগী সুপর পৱার ওইরম্বা সোভিয়েট য়ুনিয়নন্না কায়খিদ্রিঙৈ মতমদা থোকখিবা থৌদোক্তু আফগানিষ্টানগী কিমি ২.৭ শাংবা সালাং টন্নেলদা পেত্রোল টেঙ্কর অমগা সোভিয়েটকী আর্মি ট্রক অমগা থেংগাইনখি। থৌদোক্তুদা পোকখায়খিবা, মৈ চাকপদা মীওই লিশিং ৩ মুক শিখি। ইং ১৯৬৭ কী দিসেম্ব তাং ১৫ দনা অমেরিকাগী ওদিওগী কানৌগাগা ৱেষ্ট ভির্জিনিয়াগী পোইন্ট প্লিজন ফাওনবা ওদিও তুরেলগী মথক্তা শাবা সিলভর ব্রিদজ কৌবা থোং অমা পিক অৱরদা থেকথরকখিবদা তুরেদুদা গারি ৬০ তাশিনখিবনি।*

## ইন্দো–পাকিস্তান বোর্দরদা নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ু থম্বগী মতম থা অনী শাংদোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৯ঃ** ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী ঙমখৈগী লমদমমদা কর্ফিয়ু থম্বগী মতম থা অনী শাংদোকখ্রে। কর্ফিয়ু শাংদোকপগী মৱু ওইবা মরমদি ঙমখৈ লান্না চঙশিল্লকপা অমসুং হুরানপোৎ লল্লোনবশিংনা চঙশিল্লকপা থিংনবগী ৱাখল্লোন্দা শাংদোকপনি হায়রি।

ঙমখৈগী শরুক খরদা নুমিদাংগী পূং ৬তগী ৭ ফাওবা লোকেল এদমিনিষ্ট্রেশনগী ওফিসিয়েলশিংগী অয়াবা য়াওদনা চখোক–চৎশিন তৌবা য়ারোই হায়রি। ওর্দর অদু কলেক্টর এন এল মিনানা থোকখিবনি।

হুকুম অদু চৎনগদবা মফমশিংদি তানোৎ, সাধেৱালে অমসুং জাইসালমর অমদি পোকখ্রানগী খুঙ্গংদা লৈবা দোঙ্গেৱালা লমদম–শিংনি হায়রি। চৎনরিবা হুকুম অদু মার্চকী তাং ১ অমদা অমুক হন্না য়েংশিনগনি।

নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ু থমখিবা অদুনা মরম ওইরগা মফমশিং অদুগী মীয়াম্না নুমিদাংগী মতমদা চখোক–চৎশিন তৌবদা অথিংবা লৈগনি। মদু ঙমখৈ লান্না ইন্দিয়া মনুংদা চঙশিল্লক্তুনবা লৌখৎপা থৌরাং অমনি হায়রি।

## গোৱাগী য়ূম নিংখায়বদা শিখিবা মশীং ২৫ য়ৌখ্রে

**পানাজি, জনুৱারি ৯ঃ** গোৱাগী কানাকোনাদা থোকখিবা য়ূম নিংখায়বগী থৌদোক্তা শিখিবা মীগী মশীং ২৫ য়ৌখ্রে। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং ঙসি নুমিৎ হুম্নি চনবা ফাওবদা মী কনবা কাঙবুনা অতেক–অকায় মরক্তা অহিংবা মী লৈরিব্রা হায়না থিবগী থবক চখ্থরি।

ঙসি নৌনা অশিবা হকচাং অমা ফংখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশীং ২৫ শুখ্রে। ঙরাং নুমিদাং মীওই অহুমগী হকচাং ফংবা ঙমখি অদুগা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদনা অশিবা হকচাং অমা অতেক অকায় মরক্তগী চিংথোকখি হায়না রেস্ক্যু ওপরেশনগী ইন–চার্জ অশোক মেননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা বিল্ডিং অদুবু শাগৎপদা অয়াবা পীখিবা ম্যুনিসিপাল ইঞ্জিনীয়ার অমা লোকেল কোর্ট অমনা এন্টিসিপেটরি বেল পীখি। মী কনবা কাঙবুশিং অদুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৬কী হকচাং ফংবা ঙমখ্রে।

নৌনা শাগৎলিবা মথোল মঙা ৱাংবা য়ূম অদু নিংখায়রকপগী থৌদোক অদুদা মীওই ৪০ মনুংদা থোকপা য়াদনা লৈরি হায়রি।

মী কনবা কাঙবুশিংনা দ্রিলিং তৌদুনা অতেক–অকায়শিং লৌথোকপগী থবক অদু থংননা লৈবা বিল্ডিং অমা নীংখায়রকপা য়াবগী ফিভম লৈবদগী তোকখি। হৌজিক্না খূৎনা ওপরেশন চখ্থদুনা অতেক–অকায় মরক্তা মীওই কয়া লৈরিবগে হায়বা য়েংশিল্লি। থংনবদা লৈবা নিংখায়রকপা য়াই হায়না চিংনবা বিল্ডিং অদু শীদোকপগী থবক ঙসিদগী নুমিত্তগী হৌখ্রে।

গোৱা পুলিসনা বিল্ডিং অদু শাগৎপদা অয়াবা পীবনি হায়বা অতোপ্পা দেপ্যুটি টাওন প্লানর প্রকাস বদোতকর ফাখি। অদুগা বিল্ডর অমসুং কন্ট্রেক্ট অমদি ম্যুনিসিপাল অদুগী ইঞ্জিনিয়রশিংদি ঙসি ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি হায়রি।

ম্যুনিসিপাল অদুগী ইঞ্জিনীয়ার অজয় দেসাই অমসুং ভারত রিয়েলটোজ এন্দ দিভেলপমেন্টকী দিরেক্টর অহুম অমদি থবক অদুবু পায়খৎখিবা মীওইশিংদি ফাবা ঙমদনা লৈরি।

অতোপ্পা ম্যুনিসিপাল অদুগী ইঞ্জিনীয়ার অসানক গাওকরদি ফারবা মতুং লোকেল কোর্ট অদুনা ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা এন্টিসি–পেটরি বেল পীখ্রে হায়রি।

## জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা নৌনা উন তাশিল্লকপদগী হায়ৱে থিংজিনখ্রে

**শ্রিনগর, জনুৱারি ৯ ঃ** জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী জম্মু নেসনেল হায়ৱেগী বানিহাল অমসুং পটনিটোপ সেক্টরদা লৈবা কিলোমিটর ৩০০ শাংবা লম্বী অদু নৌনা উন তাশিল্লকপদগী থিংজিনখ্রে।

হৌখিবা অহিংদগী কা–হেন্না উন তাশিল্লকপনা মরম ওইরগা শ্রিনগর–জম্মু হায়ৱে অদু থিংজিল্লকখিবনি হায়রি। লম্বী অদুদা চৎকদবা মীওইশিংগী য়াইফনবগীদমক ঙসি শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্তগী লমদম অদুদা ত্রাফিক্কী থবক পূম্নমক লেপহনখিবনি হায়রি।

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসতগী চপ চাবা পাউ লৌদ্রিঙৈদা পেসেঞ্জর অমত্তনা চখোক–চৎশিন তৌদনবা খঙহনখ্রে।

উন শেংদোকপা কাঙবুনা হায়বশিং অদুদা তাশিল্লকখিবা উনশিং অদু শেংদোকপগী থবক ঙসিদগী হৌখ্রে। বানিহাল অমসুং পদনি টোপকী লম্বীদা ফিট ১দগী ফিটখায় অমগী চাং থানা উননা কূপশিন্দুনা লৈখি। থেংনা ফংবা পাউদা উন তাবগী চাং অদু খরা হন্থরক্লবসু লেপ্তনা উন তারক্লি হায়না ত্রাফিক পুলিসকী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক্কী মফম অতৈগা লমদম অদুগা শম্নরিবা হায়ৱে অদুদা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মরু ওইনা পেত্রোল, দীজল, কেরোসিন, চানবা চিঙ্গাক, কূকিং গ্যাস অমসুং হীদাক লাংথকশিং পুশিল্লক্লিবনি।

উন কা–হেন্না তাবা অদুনা মরম ওইরগা বনিহাল টাওন অমসুং অৱাং থংবা কাশ্মিরগী বরামুল্লা লমদমমদা চেনবা ট্রেনশিং সস্পেন্দ তৌখ্রে। রেলৱে ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙ–দোকখিবদা, লৈবাক্কী মফম অতৈদা শম্নগদবা রেলৱেগী লাইনশিং অদু মপূং ফানা শেংদোক্লবা মতুং ট্রেন চৎহনবগী থবক লৌখৎকনি হায়খি।

মমাঙদা ওইখিবগুম্না জম্মু অমসুং কাশ্মির লমদমমদা ঙরাং অহিংদগী কা–হেন্না উন তাশিল্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী অতৈ মফমদা শম্নগদবা হায়ৱেশিং থিংজিনখ। লোয়ননা হৌজিকসু মখা তানা উন তারি হায়রি।



## সলমান খাননা মেদিকেল কলেজদা লুপা লাক্ষ ২৫ দোনেট তৌখ্রে

**মুম্বাই, জনুৱারি ৯ ঃ** ফিল্ম ষ্টার সলমান খাননা লিংখৎপা চেরিটেবল ফাউন্দেশন ‘বিইং হ্যুমেন’ কৌবা সংস্থান অমনা জৱাহরলাল নেহরু কলেজদা লুপা লাক্ষ ২৫ দান তৌখ্রে।

শেনফম অদু মহাক্না উত্তর প্রদেশকী চহী খূদীংগী পাঙথোকপা কুম্ভে সাই ফাই মহুৎসবকা মরী লৈননা দান তৌখিবনি হায়রি।

সুপর ষ্টার সলমান খান অমসুং অতৈ ফিল্ম ষ্টারশিংগা লোয়ননা মুজাফরনগরগী কেম্পতা মীওই কয়া লৈখিদবা চৈরক্তা মহুৎসব অদু য়াওগদৌরি।

পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা ফিল্ম ষ্টার অচৌবা অমদি অপীকপা মীওই ১২ হেনবনা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিন্নবগীদমক শরুক য়াগদৌরি। মদু লমদম অদুদা রাজনিতিগী ওইবা নুংনাংবগী মরম অমা ওইহল্লি।

মমিং লৈরবী ফিল্ম এক্ট্রেস মাধুরি দিক্সিটনা ট্যুটরদা মহাক্কী ওইবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা ইখিবদা আর্টিষ্ট অমসুং মীওই কয়ানা মখোয়না তৌগদৌরিবা থবক অদু মীয়ামগী মতেং পাংনবগী–দমক অতোপ্পশিংগী পূক্লিং চিংশিনবা ওইনা চখ্থগদবনি হায়রি।

## পুলিসনা পায়রিবা খূৎলায়না মীচমদা ওনশিল্লকপা য়াবা ঙম্লোইঃ ভৈকো

**মদ্রাস, জনুৱারি ৯ ঃ** দ্রাবিদ্রা মুন্ট্রো কজাগমগী লুচিংবা ভৈকোনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা পোৎ হুরাল্লি হায়বগী মরালদা ফাখিবা চহি ১৬ খক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমদা পুলিসনা নোংমৈ কাপখিবা অদু মীওই অদুবু হাৎননবা হোৎনবনি হায়না মরাল শীখ্রে।

ভৈ কোনা মখা তানা ফোঙদো–কখিবদা মীচম ঙাক্নবগীদমক পুলিসনা পায়রিবা খূৎলায় অদুনা মরাল লৈজদবা অমা হাৎনবা হোৎনরে। পুলিসনা মিংচৎ থিদনবগীদমক নোংমৈ কাপ্পুনা মী হাৎননবা হোৎনখিবা ইন্সপেক্টর পুস্প–রাজগী মথক্ত কেস লৌখৎকন্দবনি।

শোক্লবা নুপা অদুগা লায়েংবদা ষ্টেট সরকারনা মতেং পাংগদবনি লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংদসু কম্পেনসেশন পীগদবনি হায়খি।

পুস্পারাজনা মিলন করানি পুলিস ষ্টেটশন মনুংদা মঙোন্দা নোংমৈ কাপখি। থৌদোক অদুদা চহি ১৬ শুরবা নুপামচা অমা অরুবা ফিভমদা শোকহনখি।

থৌদোক অদুগী তুংদা মরম চাদনা নোংমৈ কাপখিবা ইন্সপেক্টর পুস্পারাজ সস্পেন্দ তৌখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং ইন্সপেক্টর অদুগী মতুংদা কেস অমা লৌখৎখি।

ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৩৮ (মীওই অমবু শিবা য়াবা মওংদা অমদি খুদোংচাদবা কয়া থোকহনবা) গী মরালদা মীওই অদুগী মথক্তা এফ আই আর অদু লৌখৎখিবনি হায়রি।

পোৎ হুরানবগী মরালদা ফাগৎলকখিবা চহী ১৬কী নুপামচা অদুদা ইন্সপেক্টর অদুনা মরম চানা নোংমৈ কাপ্পদগী অরুবা ফিভমদা শোকহন্দুনা মফম অদুগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা অরুবা ফিভমদা লায়েংলি হায়খি।

## লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিগী অফবা খোঙফম লাক্লগনিঃ নরেন্দ্র মোদি



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৯ ঃ** ভারতিয়া জনতা পার্টিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ অমসুং গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহবু করেম্নবা ওইনা হায়খিবদা পার্টি অদুগী খ্বাইদগী ফবা তাঞ্জা লাক্লগনি।

লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অদুগীদমক থা খরদি ঙাইখিবা তারি। মদুনা অফবা নুমিৎ অমা ওইহনগনি হায়খি। ৱাফম অদু মোদিনা পৃথিবীগী মফম অতৈদা চাইথোক্তুনা লৈখ্রবা ইন্দিয়নশিংগী অপূনবা মীফম প্রভাসি ভারতিয়া দিবসতা ফোঙদোকখিবনি।

প্রভাসি ভারতিয়া দিবসকী ১২ শুবা মীফম অদুদা মহাক্না ৱা ঙাংনবা থোরকপদা মীয়াম্না অঙকপা মওংদা তরাম্না ওকখি। মীফম অদুদা মহাক্না হায়খিবদা, হৌজিক নীংবা কায়নিংঙাই লৈতে। অফবা মতম অদু লাক্লগনি। মহাক্কী ৱাঙাং অদুদা মীয়াম্না হরাওবগা লোয়ননা লাউ খোংদুনা ৱাফম অদুবু শৌগৎখি।

বিজ্ঞান ভৱনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক করিসু হায়নিংঙাই লৈত্রে। ঐখোয়না থা খরদি ঙাইখিবা তারি। মদু থা ৫ নৎত্রগা ৬ খক্তমক ওইরগনি। তৌইগুঙ্গসুং ওইরিবা ফিভম অসিদা খঙবা ঙম্মী। অফবা মতম অদু লাক্লগনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ওফিস অদু অনৌবা ওইনা সরকার পায়রগনি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খিবদা ইন্দিয়া অসি শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা হোংলক্লি। পৃথিবীগী অনীশুবা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক ওইরিবা লৈবাক অসিনা তুংগীদমক থাজবা অমসুং আশা চাউনা লৈরি হায়খিবনি।

মোদিনা ঙসি চোইনা লৈবাক অতৈদা খুন্দাকখ্রবা ইন্দিয়নশিংগী মীফম অদুদা হায়, দোল্লর অমসুং পাওন্দদনা হেন্না লূম্না লৌরোইদবনি। লোয়ননা অনৌবা লৈবাক অমগীদমক অনৌবা মায়কৈদা লাক্ননবা শেল–থুম হেন্না ইনভেষ্ট তৌবা দরকার লৈ।

ইন্দিয়া মচাশিং অদুবু থেম্নবা ৱাফম অমা ওইনা মোদিনা হায়খিবদা শেল–থুম থাদবা কাঙবুনা সরকার অদুগা য়ানবা অমাপুরকপা পাল্লি। অদুবু লৈবাক অসিগী ওইবা পূক্লিং নুংশিনিংঙাই ওইরবা রাজনিতিগী ফিভম অসিনা লৈবাক অসিগী মাঙহনগদৌরে।

মোদিনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী ষ্টেট ওথোরিটিদনা হেন্না মীৎয়েং চঙবা পাল্লি। হিদান্নবা অমগুম থবক পায়খৎলবদি লৈবাক অসি মপূং ওইনা চাওখৎপা ঙমগনি হায়খি। লৈবাক অসিনা চাওখৎপা হায়বসি ঐখোয় পূন্না চৎমিন্নরবা মতমদতা ওইগনি। ঐখোয় পূনশিল্লসি অচৌবা ইন্দিয়া অমা ওইহল্লসি হায়খি।

গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী নীংশিংনিংঙাই ওইরবা মুর্ত্তী অমা ওইগদৌরিবা সরদার বলবাই পাতেলগী মুর্ত্তী শাগৎপা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৫, সরদার পাতেলনা লৈখিদবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রন ফোর য়ুনিটিগী খোঙচৎ অদুনা পৃথিবীগী ওইবা খ্বাইদগী চাউবা খোঙচৎ অমা ওইনা রেকোর্দ থমখ্রবনি। অফ্রিকাগী ওইনা থা অসিদা ঐখোয়না হিংলিবা লৈবাক অসিগী ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা লৌগদবনি হায়খি।

মপান লৈবাকশিংদা খুন্দাখ্রবা ইন্দিয়শিংগী মতেং নিরদুনা সরদার পাতেলগী মুর্ত্তী অদু মপূং ফানা শেমগৎনবা ৱাফমসু ফোঙদোকখি

